# "মণিপুরদা সিভিল ৱার-!"

- এল ইবোমচা -

"মীনাইনা মপু শাবা, লৌ মপু য়োংনা তানবা, যূমদাংবনা কৈ নাইবা, ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি!" - ইপা ইপু অহল লমনশিংনা ঐখোয়গীমক্তা থন্বীরম্বা পাউরৌ পাউতাকনি।

কনা অমত্তনা মাগী মরৈবাক মাঙহন্নীংদে। ৱাখল অসি মালেম তাইবঙসিদা লৈমিন্নরিবা মীপূম খুদিংনা থাদোক্তনা চৎনরবদি লানগী মশক অমা উবা ফংলোই। ঐ ইশাগী ইরৈবাক মাঙহন্নীংদবগুম মীগীসু মাঙহন্নবা খনফদে। ইরৈবাক মাঙহনগে তৌররিবা, তৌরিবা মীদুবু ঐগী খ্বাইদগী য়েক্লুবা ওইনা য়েংবগুম, ঐনা মীগী মরৈবাক মাঙহনগে তৌরুরবদি ঐবুসু মীনা খ্বাইদগী তমথীরবা নুংশি হৈতবা, অরানবা চৎপা মীনি হায়দুনা লৌগনি হায়বা অচুম্বা ৱাফম অসিতবু মীপূম খুদিংনা মুন্না খঙনরবদি লান হায়নরিবা ৱাহৈ অসি লৈরল্লবসু মশক ওইনদি থিরুবদা ফংলল্লোই। অদুবু পঙনা পানবা তাইবঙ মীওইবনা মসিদবু খন্থনদে। মণিপুরদসু অদু মঙাই, মীরোল কয়া কয়াগী মমাঙদগী ফুরুপ কয়াগা পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা অদু কুকি ফুরুপনা মখোয়গী ফুরুপকী মমিংদা লৈবাক অমা শেমনীংবদগী মণিপুর থুগাইনীংবা মীওই কয়ামা থোল্লক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরবু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগাইবা য়ানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনদবা, নুংশিনদবা পোক্লনবা হায়দুনা ওইদ-পাদবা নমথাক্কী ৱাহৈ ৱাতা কয়ামা শীজিন্নদুনা হু! কামশিল্লি। অশেংবদি কুকিশিং অসিগী মপা-মপুশিং অসি হৌরকফম মফম খঙদবা ওইবনা কল্লক মীহৌ চাউই, মীনুংশি লৈতে, ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্মী, অহাওবা চানীংই, হুরান চিন্থি পাম্মী, নিশা পাম্মী। ঙসিমক মণিপুরদা হিংশাগী থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকহল্লিবা অসি মখোয়না পোপি পান্বী থাবদা লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লুবদগীনি। নাকল অমরোমদা মালেম অসিগী লৈমায়দা মখোয়গী ফুরুপকী মীংদা লৈবাক অমা শেম্লীংবগী ঈখৌ লাংবসু নোংম-নোংমগী অসুম হেঞ্জিল্লক্তুনা মণিপুর মনুংদগী লম মুন্নবা খঙহৌদনা লান তাশিল্লক্তুনা মীওই কয়া অমগী যূম-কৈ মৈনা তুম্নবা থাদোকপীখ্রে, থৱায় কয়া অমা হাৎতোকপীখ্রে। পূম্নমক অসি মখোয় মখোয়গী মপা মপুশিংনা মালেমগী লৈমায়দা মখোয়গী ফুরুপকী মিংদা লম মচেৎ অমত্তা থনমদবা মরম্না কুকিশিং অসি মতম লৈবা খিবিক্তা মপূক্লিংদা অফবা ৱাখল খনবা ঙমদবা মরম্না মী খৎনগল্লি, মীনুংশি খঙদে, হিংশাদা থৱায় য়াওই। ফুরুপ অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা শাথীবা মতৌ অমা হায়বা তারবদি মখোয়না অতোপ্পা ফুরুপকী মীওই অমত্তবু নুংশিবা ঙমদবা অসিনি। মসি মখোয়গী কা য়াম্না হেনবা মীওইবা মরক্তা চৎহৈদবা লমচৎ অমনি। মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা হায়বসিদি মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী মচৎনি। মসি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা মরৈবাক নুংশিবা মীওই কয়া লৈরিবা মণিপুর, ম্যান্মারদা লান তাশিন্দুনা লম মুল্লবা মতুংদা কুকিলেন্দ শেমগনি হায়দুনা মঙলিবা মঙ অসি অঙকপনি!

মমাঙঙৈগী মতমদা ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমগী মথক্তা লম মুন্নবগীদমক্তা লান হেক্তা তাশিনবদু হৌজিক্কী মতমদদি চৎনদ্রে, অকনবনা অচুম্বা শকপগী মতম অদু নৎত্রে। খুদিংমকসি নীংশিংদবা, মপা মপুগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা মীওইসি কনানো হায়বা তারবদি মণিপুরদা শৈদাংলগা লৈররিবা কুকিশিংসিনি হায়বা য়াই। বিজ্ঞাননা খম থেংনা চাওখৎলবা ঙসিগী মালেম অসিদা কুকি ফুরুপতি হৌজিক হৌজিকমক মীওই অমখক্লা মীয়াম অমা ষণ হোইবগুম্না হোইরগা পুবা য়ারি। হৌজিক ফাওবা অচুম-অরান, অফ-ফত্ত মশানা লেপ্পা ঙমদবনা কষ্টমরি লো চৎনদুনা লৈরি। ষণ, ষণদং ওক কোংবগী নাৎ-চৎনবী লেঙদনা লৈরি। শা ফাবা, হাৎপা ঙম্বা মীদুবু মথৌনা ফবা মিংথোল পীনরি। তশেংনা মুন্না খন্থরুরবদি থৌওং অসিমক্তি খুজিল খুয়া কক্কনি খঙনদ্রিবঙৈ, শম শাংনা শাংনা খাক্লরিবঙৈ চৎনবীনি হায়বা য়াই। তৌবগীদি কুকি ফুরুপতি মখোয়গী নাৎ চৎনবী ওইবনা ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা হায়নরম্বা ফুরুপ অমগী লমচৎ খঙগে হায়রবদি মখোয়গী নাৎ চৎনবী য়েংউ হায়রম্বদু অচুম্বা ওইনা চোংথোরকই। মরম কয়াসি লৈরম্বনা মথক্কী পাউরৌশিং অসি অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা ওইগনি।

অমরোমদা ফুরুপতুগী মীগী লমচৎ খঙগে হায়রগনা মখোয়গী য়াহিপ চাকচা য়েংলগা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী হায়নরম্বা ৱাফমসু লৈ। মরু ওইনা তূম্বা মতমদা মখোঙ মখূৎ কোনশিল্লগা নৎত্রগা মখূনা যূম শারগা মমাই মমিৎ লোইনা খুমজিল্লগা তূম্বা মীওইশিং অসি মপা-মমা, মপু-মবেননা নিংথিনা নাউয়োক নাউকোল্লক্তবা মচাশিংনা ওইগল্লি। মখোয় অসি হয়েং চাওরক্লবা মতমদা শাথীবগী চাং য়াম্লা ৱাংই। হায়বদি মীনুংশি খঙদে, হুরান চিন্থি, মীহাৎ মীপূন পাম্মী, মশাগীতা খনগল্লি, মীগী মরন মথুমদা কল্লক মীহৌ চাওগল্লি। পোৎ অমত্তং চাবদা মখূৎ মশা পুমতৈ তৈগনি, অদুগা মচি মরুমদা নৎত্রগা মক্রাং মনুংদা লোৎলগা চাবা থকপা তৌগল্লি। অদুগা মপাঙ্গল শোনবগী মতিক মবুক ফত্তবগী চাংসু য়াম্না ৱাংই। মসিগুম্বা য়াহিপ চাকচা অসি কুকিশিংসু চপ মান্ননা চৎপনা মরম ওইরগা ঙসিদি মণিপুরদা লান্দারক্লে। লমগী মপু শারে, কৈ নাইরে, য়েলহৌমী মৈতৈশিং চৎখিনবা তাল্লক্লে।

ঙসিগী মালেমদা লৈরিবা মীওইবশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী হেন্না শাথীবসি কুকি ফুরুপকী মীওইশিং অসিনা ওইরে। হায়বদি মখোয়না খুন্দাদুনা লৈরু লৈরুবা মফমদা মখোয়গী কুকি হোমলেন্দ শেম্নবা থৌরাং য়াৎপা লেপ্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা বাংলাদেশ, বর্ম্মা (ম্যান্মার) লৈবাক্তসু মখোয়তগী ওইবা লৈবাক শেম্নবা থৌরাং তৌরুবদা মায় পাকখিদবগী ৱারী তানখিবা লৈখ্রে। ঙসিনা অমুক বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী কুকিশিংগা ঐখোয়গী মণিপুরদা হান্নদগী লৈরক্লবা কুকি খরগা মান্নরগা কুকি হোমলেন্দ শেম্নবা দিমান্দ তৌবা হৌরক্লে। মখোয় অসি মী ওইরবসু মী খ্বাইগা মান্নদবা মীদা ঙাক্তনি হায়বদি ঙসি ঙসিমক বর্ম্মা (ম্যান্মার) দগী লাক্তুনা মণিপুরদা শৈদাংফম লৌরিবা কুকিশিং অসিগী য়াহিপ চাকচা উরুবদগী খঙবা ঙম্মী। য়েংবদদি মখোয় অসি মপূক মপাউ ফবা, মরিংজেল ফবা, শিন্নবা থবক নাম্থোক্তবা ওইনদি উরগা মশাগী খুদোংচাবা লৌবা হৈবা ফুরুপ অমনি। মখোয় অফ-ফত্ত মশক মুন্না খঙলবসু মশাগী ওইজ-ওইথক খরবু ফংগদবা লৈরবদি অফবশিং শিৎ নান্না কাউথোকপা ঙম্বা মীওই কাঙবুনি। কুকিশিং মখোয় মখোয়গী মপা মপুশিংনা লম মচেৎ অমত্তা মালেমগী লৈমাইদা থনমদবনা মতম লৈবা খিবিক্তা কনাদগী লম মুনসিগে হায়দুনা খন্দুনতা লৈ। অদুননি হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা মখোয়গী কুকিলেন্দ অমা শেম্ননবা মখোয়বু শৈদাংফম পীবিরিবা মৈতৈশিংদা থৌওইনা ওনশিল্লক্লগা নোংমৈনা কাপ্তুনা অশোক অপন নংহনবা, হাৎপা, তুপ্পা, যূম-কৈ কয়ামা মৈনা তুম্না থাদোক্তুনা মফম অমদা চৎখিনবা তানবা হৌরক্লিবা অসিনি। অসিগুম্বা তমথীবা মতৌ অসিদগী মৈতৈশিংনা কুকিশিংবু পু-পাং শুদবা মচাশিংনি হায়দুনা মীনোক মীচৈ থল্লগা চৈনরি। মখোয়সি ফত্তবদা লিংজেল মান্নে, নমথাক্তা হৈ শীংই। মখোয়দি মখোয়গা নক্লা তোৎন-তিন্নদবা শকখঙদবা অমদা ইচম চমজবা মীচম শাদুনা লৈগনি। অদুগা লুনা তিন্নবা মরুপ মপাং ওইরবসু মখোয়না থৌওইদবা মীওই অমদদি অকন অরিং শীংগনি। মরম অসিনা মখোয়দগী চেকশিন্নবা হায়দুনা থায়নগী অহল লমনশিংনা কুকিশিংবু মাঙই হায়দুনা শোক্ল-শম্নবা য়াহল্লমদে অমসুং শুমাং মাঙ্গোলদা ফাওবা চংহল্লমদে। মসি পূম্নমকসি মখোয়গা নক্লনা তিন্নরুবদগী মরমচৎ মুন্না খঙলবা মৈতৈশিংনা মখোয়গী ফত্ত-লৌশিংদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনরম্বনি। কুকিশিংগী মপা মপুগী হাক্তক্তগী হৈনদুনা লাক্লবা মচৎ অদুদি - মখোঙনা কোইচৎ চৎলগা মফম হোং হোংদুনা, চাইনা চাইনা লম শন্দোকপা অসিমসু অমনি। মরম অসিদগী কুকিশিংবু মৈতৈশিংনা মখোঙনা কোইচৎ চৎলগা চাইনা চাইনা খুন তাবগীদমক খোংচাই, খোংশাই, খোংজাই হায়না মীংগৌনদুনা লৈরি। অদুবু ঙসিদি মখোয়বু চংজফম পীরুবা মপূক ফবা মৈতৈশিংদা অতম্না ওনশিল্লক্তুনা লান তারক্লি। লান অসি অতৈ অমগী নত্তে, মণিপুরদগী লম নমদুনা মুল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেমগে হায়বগী দিমান্দ তৌবগীনি। মতম অমদসু বাংলাদেশ অমসুং বর্ম্মা (ম্যান্মার) দা কুকি হোমলেন্দ তাল্লুবদা ফংদনা হল্লকখ্রে হায়বগী ইকায়বা করিমত্তা খঙদবমখৈ ঙসিনা মণিপুরদা থৌওইনা মমাই ওনশিল্লক্লগা হান্নদগী লৈরক্লবা মখোয়গা ফুরুপ পূনবা কুকি খরগা তিন্নরগা কুকিলেন্দগী দিমান্দ তানবা হৌরক্লি। দিমান্দ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্তা তানবগী মহুৎ মণিপুর তম্পাক্কী চীংখোঙ চীংয়াদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংদা ওইনা তাল্লক্তুনা নোংমৈ, বোম, টোপ কয়া শীজিন্নদুনা লান্দাদুনা লৈরি। লান অসি লোইশিনবা নাইদ্রবদি "মণিপুরদা সিভিল ৱার-!" থোক্লকপা শোয়দ্রে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## মণিপুরগী অৱাবদা হন্না য়েংলক্ত্রগা মোদিনা মতৌ করম্না মালেমদা শান্তিগী পাউজেল পীগদৌরিবনো

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস):**

মশাগী লৈবাক্তা ইরাং থোক্লগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস এদা চৎতুনা পিছ এন্দ হার্মোনিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা মরম চাদে। ঙসিগী মালেমগী যোগ দেগী থৌরম বোয়কোট তৌবগা লোয়ননা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা মীওই লিশিং কয়ানা নেসনেল হায়ৱে ১০২ (ইম্ফাল-মোরে) লম্বী তঙ্খায় থিংজিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী শান্তিগী পাউজেল পুবা য়ুএসএগী খোঙচৎ য়ানিংদে, মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহল্লু হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা পিএম মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহ অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ইফিজি দা শেন্দলনা কনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ইফিজি মৈ থাখি।

থৌবালদা লৈরিবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী ওর্গনাইজেসন ৩০ না পুল্লগা শেম্বা থৌবাল অপুনবা লূপনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী সঞ্জেনবম সোরোজিনিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদ্রবা ইরাং অসিগী মতাংদা পিএমনা ৱা অমত্তা ফোঙদোরক্তবা অসি মণিপুর মীয়ামগী য়াম্না থম্মোয় কায়বা থৌওংনি।

পিছ এন্দ হার্মোনি পুরক্ত্রগদি মালেম অসি চাওখৎপা ঙল্লোই হায়বা ৱাখল্লোনদা পিএমনা মীগী লমদা চৎলগা পাউজেল পীগদৌরিবা অসি কন্দেম তৌই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোকঙা শন্দোকপীগনু হায়বা নত্তনা অতোপ্পা ৱাহৈ অমত্তা হায়দবা অসিসু কন্দেম তৌই।

মণিপুরগী নুপী ময়াম্না লম্বীদা অহিং কয়া য়ারেক্তুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মণিপুরগী বি জে পিবু লূচিংলিবী এ সর্দানা নোংমা ফাওবা য়াওদবা হায়বসি নুপী মীয়াম্না কন্দেম তৌই। পিএম মোদিনা পিছ এন্দ হার্মোনিগী পাউজেল পীগদৌরিবা অসি ঐখোয়না য়াবা ঙল্লোই। মশাগী লৈবাক অসিগী পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা তারিবা নুমিৎ ৪৮ নি শুরবা অৱাবা অসিদা হন্না য়েংলক্ত্রগা মতৌ করম্না মালেমদা শান্তিগী পাউজেল পীগদৌরিবনো।

মহাক্লা মখা তারদুনা মতিক চাদ্রবা পিএম অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা মথৌ তাই। পাউখুম অমা ফঙদ্রিবা ফাওবা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তাই অমদি ঐখোয় মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়দনা কদায়দা হায়রুগদৌরিবনো হায়নসু ফোঙদোকখি।

## শোয়বদগী কাপথোরকপদা নুপা ১ শোক্লে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস):**

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেকমাই নোংথোনবম বোটলিং প্লান্ট মনিংদা মমান্নবা অমনা শোয়দুনা নোংমৈ কাপথোরকপদা নুপা অমা পান্দুনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

মহাক্কী মমিং চান্দম ইবোতোম্বা (৫০) কৌই। মহাক্কী লোইনবীনা চান্দম ওংবী সুনিতা কৌই। মহাক অৱাং সেকমাইদা লৈবনি। মহাক্কী ওয় থংবা খুরাইদা শরূ কায়বগা লোয়ননা তঙাই ফদনা মহাক্কী খোঙ অদু খুউ মখাদা রাজ মেদিসিদা ওপরেসন তৌরগা ককখ্রে হায়রি।

## লৈমখোং চীংশাংগী কুকিগী বঙ্কর খরা আর্মিনা লৌথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস):**

ঙরাং লৈমখোং চীংমাং অমদি কান্টো শাবলদা ষ্টেট পুলিস অমদি আর্মিগী অপুনবা কম্বাইন্দ ফোর্সনা অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ১ ফাওবা থী হুম্বা চঞ্চখ্রে। ওপরেসন অদুদা মীফা মীপুনদি য়াওখিদে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী ১০.৩০ ফাওবা আর্মিনা লৈমখোং চীংমাং মথক্কী এরিয়াদা লৈবা কুকিশিংগী বঙ্কর খরা লৌথোকপা হৌখ্রে।

অদুবু খুৎলায়নচিংবদি ফাগৎপা লৈখিদে হায়রি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১) **"ঙসি কেক্রু পাৎতা ইমাগী তম্পাকথকসিদা/নাউশুম ঈশৈনা নাউথেল্লি ইমানা থৱায় তরানিপালবু/ইঙাগী নোংজুগী ঈশৈ শক্ল-শক্লদুনা।"** লৌথোরক্লিবা শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেংনো?

২) **"ঙমখৈ লাম্মী তেঙ্গোলগী বন্দিনি"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৩) **"বরুৱাগী চিঠী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"অমম্ব অহিংদ নোংথাংন ঙান্থোক্লগ হৈনৌ অমুনব খুনব উবগুম ফাগীন পুক্লিংবু তেকখৎহল্লগ কান্নব ৱা কয়া খুঙ্গৎপ ৱাদে, অনানবা শ্লেট্ ইবগুম ময়েক লান পুক্লিংদ লৈহৌই।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। অইবা অসি কনানো? ৱাহৌদোক য়াওরিবা লাইরিক অসি করি কৌবগে?

৫) **"শক-তাকপা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## 'কাংচুপতা লৈরিবা মীয়াম লৈতানা লৈহনবীয়ু, মণিপুরদগী এআর লৌথোকপীখো, এন আর সি চৎনহনবীয়ু'

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস):**

কাংচুপতা লৈরিবা মীয়াম লৈতানা লৈহনবীয়ু, মণিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোকপীখো, এন আর সি চৎনহনবীয়ু হায়না সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন কাংচুপকী সেক্রেটরি অঙোম দিজেন্দ্রেনা ফোঙদোকখ্রে।



কাংচুপ খারমদা লৈবা ক্লব অসিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা অঙোম দিজেন্দ্রোনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা মৈতৈগী য়ুমশিংদা লান্দারক্তুনা মৈতৈশিংবু লাঞ্জেনহনবা অমদি অঙাংশিং মহৈ মশিং তম্বা ফঙহন্দ্রে। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা মৈতৈশিংদা লৈতাবা ফঙহন্দ্রিবা অসিসু অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু। কুকি লালহৌবশিংনা য়েলহৌমীদা লান্দারিবা অসিদা চৈরাক পীবিয়ু। অসাম রাইফলসনা ফোরেনগী খুৎলায় পায়বদা মতেং পাঙলিবা অসিসু খুদক্তা লেপহনবীয়ু। হৌজিক লৌউবা য়াদনা লৈরিবা অসি য়াহন্নবা খুদক্তা থবক পায়খৎপীয়ু।

মমাঙ থাগী মে ৩দগী হৌরক্লিবা কুকিশিংনা লান্দারক্লিবা অসিদা কাংচুপ খুন অমদি কাংচুপ খরংনা পুল্লগা কাংচুপ খরং হায়না খঙনরবা খুননি। মফম অসিদা হান্না কুকিগা নক্লনা লৈমিন্নরম্বনি। মে ৩দগী কুকিশিংনা মৈতৈগী য়ুম মৈ থাবা অসি কাংচুপতা কুকিশিংনা মে ৪ দগী কুমথরক্লগা মৈতৈগী য়ুম অমা মৈ থাবা হৌরকখি। মদুদা হৌনরুবা তৌদনা মৈতৈশিংনা চোংথোক্লরক্লগা কুকিগা থেংনরকখিবনি। মসিদগী ১৯ দা ২২ শুবা অসাম রাইফলসনা কুকিশিংগী চুড়াচান্দপুরদগী পুরকপা খুৎলায়শিং ফাগৎপা লৈখ্রে। চুড়াচান্দপুরদগী পুরক্লিবা অসি চীং লম্বীদা পুরকপনি। মসিসু চীং ময়াম লাল্লগা অরোইবা ওইনা কাংচুপকী কুকিশিংগীদমক্তা পুরকপনি। ফাখিবা খুৎলায়শিং অদুসু বোম য়াওনা অফবা খুৎলায়শিংনি।

মে ২৮ দা কুকি খুৎলায় পায়বশিংগা ষ্টেট ফোর্সকা পুং ১২ চুপ্পা নোংমৈ কাপ্নবা লৈখি। নুমিত্তুদা কাংচুপ খরংগী য়ুম, মৈতৈগী য়ুম ১৬ কুকিনা মৈ থাখিবনি। জুন ২ দা কুকিগী খুৎলায় পায়বশিংগা কাংচুপ ভিলেজ ভোলুন্টিয়রশিংগা খুৎ থোক্লখি। মদুদা অশোক অপন ময়াম অমা য়াওখি। নুমিদাং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা অফবা খুৎলায়শিং পায়দুনা লান্দারকখিবনি।

মদুদা মৈতৈগী য়ুম মরি অমসুং শোমিল য়াওনা পোলট্রি ফার্মসু মৈনা তুম্না থাদোকপীখি। মথং জুন ৫ দা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দারকপদা ভিলেজ ভোলুন্টিয়র অহুম অমসুং ঙাকপা লাকপা অনী য়াওনা মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অশোক অপন কয়াসু য়াওখি।

জুন ৮ দা কুকিশিংনা মৈতৈগী য়ুম অমা মৈ থাদোকপীখি। হৌজিক ফাওবদা কুকিশিংনা য়ুম মৈ থাখিবসি কাংচুপ খরংদা লৈবা য়ুম ২২ শুরে। খুঞ্জাশিংনা শাফগদবা মফম য়েংবীয়ু হায়বদগী লমশাংগী এম এল এনা বি এস এফ থম্নবা হায়রকখিবা মফম অসি কাংচুপকী মথক্তনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা লৈবীয়ু য়াদনা লৈরি। মসিগী মতাংদা দিসি, এসপি, দিজি, সিএম অমদি গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনবা লৈখ্রে।

বি এস এফকা ৱারী শান্নবদা কে সোনুং হায়রিবা মফমসি কুকিনা লৈবা মফম্নি। হাংলগা লৈবা মফম ওইবনিনা লৈবদা য়ারোই হায়বদুনি। ঐখোয়না পাম্বনা কে সোনুং হায়বা মফমসিদা গ্রাউন্দ অপাকপা অমা লৈ। মসিদা বি এস এফ লৈখ্রগদি তম্পাক্তা লৈবা ঐখোয়দা খরা শাফগনি। মরমদি মফমসিদগীনি কুকিশিংনা লাক্লগা মৈতৈশিংদা লান্দারিবসি।

মসিদা সেকমাইগী এম এল এ লাক্তুনা কে সোনুংদা কন্সট্রক্সন শাগৎনবা য়েংলম্বদি লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক ওইনা পায়খৎপীবা লৈত্রি। বি এস এফ ওইরো, ষ্টেট ফোর্স ওইরো মফমসিদা অথুবদা সেক্যুরিটি ফোর্স অমা থম্বীয়ু, নত্ত্রগদি ঙাইহাক লৈতনা কুকিশিংনা মৈতৈদা লান্দানবা মফম ওইদুনা লৈরে। অসাম রাইফলসনা কুকি খুৎলায় পায়বশিং ঙাক্লুবা লৈবা মরম্না মণিপুর লৈমায়দগী অসাম রাইফলস লৌথোকপীখো হায়খি।

ACI SCHOOL
(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)
Regd. No. 1/96/96/-HSC (Vol. VIII)
Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL
ADMISSION OPEN FOR XI
SCIENCE & ARTS
2 yrs NEET & JEE Integrated coaching Course
Transport & separate Boys and Girls Hostel
Special Offers for present situation
1. No admission + School fee for Riot Victim FREE (Hostel admission + 3 months Hostel fee)
2. No ADMISSION FEE FOR FIRST 100 STUDENTS
3. No admission fee for Former student's family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE
SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English, Manipuri, Physics, chemistry, Biology, MathEmatics, Home science, Computer science and Physical Education
SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Eduation, Pol.Science, Geography, History, Economics, Mathematics
REQUIRED DOCUMENTS FOR REGISTRATION : OROGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO
ADMISSION FORM /PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM OF ENTRANCE TEST CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM –2PM)
** POSITION HOLDERS : FREE (ADMISSION + TUITION FEE +UNIFORM + BOOK + HOSTEL ADMISSION + HOSTEL FEE)+ SCHOLARSHIP + Coaching Class
** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship
** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching class of xi +Book grant For XI + scholarship 1k/month
** 80% and above— Free Admission + Free School FEE + Bag ** 75% and above : Free admission + FREE coaching class +book grant
• 70% and above— FREE ADMISSION + FREE COACHING CLASS * 60% and above — FREE ADMISSION FEE
• Direct admission : First 150 students in both Science + Arts stream with concession according to P.C.
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105
HL-B/8131/25 Apr to 25 May

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE TM
Recognized by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
English/Hindi Course + Free Computer Course
IT & SKILL COURSES
➤ Computer (NIELIT)
➤ Spoken Hindi
➤ Spoken English (IELTS)
AVIATION COURSES
➤ Cabin Crew
➤ Ground Staff




1. Kingdom office, IIIT BUILDING [1 FLOOR] Old Lambulane, OPP GP WOMEN'S College
2. MPP Complex Behind Polo Ground
7005776944, 8837407726
www.kingdomeduinstitute.com
(HL-B/8030/25/4-22/6 (alt